**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-05-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৫-০৫-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মহুদকী দাইরেক্তর ঙাঙোম উট্টমনা হায়রি-ইম্ফাল সহর লু নান্না থমবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা সরকার খক্তনা কৈদৌনুংদসু ঙম্লোই।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তনা চথরি, খূৎলাই অমসুং শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়বা মীওইশিং ফারে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী কলচর অমা শেমগৎপা ঙম্লে।

**------**

**মহুদ(এল)ঃ** মহুদকী দাইরেক্তর ঙাঙোম উট্টমনা হায়রি-ইম্ফাল সহর লু নান্না থমবা হোৎনবদা মীয়ামগী মতেং য়াওদনা সরকার খক্তনা কৈদৌনুংদসু ঙম্লোই। ইম্ফাল সহরবু লু নান্না থমবগী মতাংদা মীয়ামদা আপিল তৌরদুনা শ্রী উট্টমনা হায়-ঐখোয়গী কৈথেল, ঐখোয়গী অকোইবা মফমশিং লু নান্না থম্বা হায়বসি ঐখোয় ঐখোয়গী থৌদাংনি। মহাকা হায়-মহুদ বিভাগনা মীয়ামগী ৱাকৎ

অমদি অপেন পেন্দা ফোঙদোকবগীদমক টেল্লিফোন অমা হাংদোক্কুনা থম্লে । মসিগী নম্বরনা 8787555493 নি। হায়রিবা নম্বর অসিদা মীয়ামা অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোল তৌরক্কুনা মীয়ামগী মোট পীবীরকবা মহাকা হায়রি। শ্রী উট্টমনা হায়-ম্যুনিসিপালিতিনা পায়খৎলকপা থৌরমশিংদা মীয়াম, দুকান অমসুং কৈথেল ফম্লিবশিংনা মতেং পাংবীয়ু। ইম্ফাল মনুংগী মরুওইবা কৈথেল থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলগী দুকানশিংগী থোং মচু চপ মান্নহন্দুনা কৈথেল অসিবু হেন্না মশক ফজনবা হোৎনমিন্নসি।

**রিমস(এল)ঃ** স্বাছতা এক্সন প্লান ২০২৫-২৬ কী মনুং চন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ইরোম মৈজ্রাওদা লৈবা মোদেল ইংলিস স্কুলদা রিমসনা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি মরুওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংগীদমক পাঙথোকপনি। কেম্প অদুদা, পুন্না মহৈরোই ১৫০ মুক লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, হোস্পিতাল অসিনা শিন্দুনা আই.এস.পি.পি.দি ননহি-মুস্কান প্রোজেক্ট অমদি ঈ.টি.এ নোর্থ ইষ্ট ফাউন্দেসন ত্রষ্টকা খূৎশমরগা মোইরাং কোলেজ রিলিফ কেম্পতা ওরেল হেলথকী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিপার্টমেন্ট এন্দ পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভেন্তিভ দেন্তিষ্ট্রি, দেন্তেল কোলেজনা শিনবনি। পুন্না মহৈরোই ৪৫ মুক শরুক য়াখি।

**স্কুল(এল)ঃ** তামেংলোং জিলাদা আই অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম খর ফগৎলকপদগী জিলা অসিগী লৈবা স্কুলশিং ঙসিদগী মহৌশাগুম ক্লাস হৌরগনি। তামেংলোংগী জোনেল ইদ্যুকেসন ওফিসর এন.অবোনপৌ খৃষ্টোফরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিগী লৈরিবা স্কুলশিংগী প্রিন্সিপলস, হেদমাষ্টরস, হেদমিস্ত্রেসশিংনা মহৌশাগুম স্কুলশিং ক্লাস হৌনবা থবক পায়খৎনবা খঙহল্লি।

নিংশিংবা য়াই, লমগী ৱাহৌদগী ইনরিয়াংলোং অমসুং দাইলোং খুলগী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোরকপদগী জিলা অদুগী মফম খরদা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।

**কার্দ(এল)ঃ**প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনা(পি.এম.জে.এ.ৱাই)গী কার্দ শাবগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী থোংজ্ কেন্দ্রদা নুমিৎ হুমি চত্থরকপা থৌরম ঙরাং লোইশিনখ্রে। থৌরম অদু, থোংজ্ কেন্দ্রগী এম.এল.এ থোঙাম বিস্বরজিৎ অমসুং এম.পি মহারাজ সনাজাওবা লৈশেম্বগী নোমিনি থোকচোম সরটচন্দ্রনা শিনখিবনি। মদুদা, পুন্না মীওই ৩০০ লোমগী কার্দশিং শাখি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমদা বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তাইনবা লোক্তাক পুলিস স্তেসনগী মনুংচনবা শামু চেপ লোক্তগী য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফংলে। মদুগী মনুংদা-মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অনি, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, শেমদোক্লবা মোর্তার অনি, গ্রেনেদ মরি, মেগজিন য়াওবা লোকেল মেদ নাইন এম এম পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরুশিং অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

অককবা পাউগী মতুং ইন্না, রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা শেল খাইবগী থবক্তা চেন্নবা মীওইশিং ফাননবা থিবা হুম্বগী লেপ্তুনা চত্থরি। অসিগুম্বা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফাল পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল হৈগুম য়াংবীদগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি) অমসুং কে.ৱাই.কে.এল(সোরেপা)গী মীওই অনি ফারে, মখোয়দগী মোবাইল ফোন অনি ফংলে। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা য়াইরিপোক লাই মন্নাইদগী কে.সি.পি(অপুনবা)গী মীওই অমা ফারে, মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা

নোংমৈ মরু ৫, মোবাইল ফোন অমা অমদি চে চাং কয়ামরুম ফংলে হায়রি। পুলিসকী চেরোল অদুনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈগী কৈরং চীংয়াদগী মীওই অমা হেরোইন গ্রাম ৩৪ গা লোয়ননা ফারে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাউনা বজারদা ঙরাং নুপী অমা মঙকশমদা কাতিনা থিনলম্বগা মরি লৈননা মীওই অমা ফারে। শোক্লবা নুপী অদু হোস্পিতালদা পুদুনা লায়েংবগী থবক চত্থরি।

**খেল্লোঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিদা শান্ন-খোৎনবগী কলচর অমা শেমগৎপা ঙম্লে। খেল্লো ইন্দিয়া থৌরম অসি মসিগী চপ চাবা খুদম অমনি। গেমস অসিনা লৈবাক অসিগী হৈথোই শিংথোইরবা নহা কয়াবু খঙদোকপা ঙম্লে।

বিহারনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাংদগী হৌখিবা ৭ শুবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস হৌদোকপগী থৌরমদা ভিদিও মেসেজকী খূথাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা খেল্লো ইন্দিয়া সেন্তর লিশিং ১ হাংদোক্কুনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হৈথোই শিংথোইরবা নহা কয়াবু শেমগৎপগী থবক চত্থরি। শ্রী মোদিনা হায়-খেল্লো ইন্দিয়াগী খূথাংদা মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মশান্ন গদকা, কলারিপত্তু অমসুং খোখো হাপচিন্দুনা খুঙ্গংগী নহাশিংবু খুদোংচাবা কয়ামরুম পীরি। ইং কুমজা ২০৩৬ তা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা ওলেম্পিক পাঙথোক্লগনি হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মসিনা ভারতকী শান্ন-খোৎনবগী শক্তি অদু উৎপা ঙম্লগনি।

থা অসিগী ১৫ ফাওবা চত্থগদবা চহী ১৮ মখাগী খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অসিদা শান্নরোই লিশিং ৮,৫০০ রোমনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২৮ গীদমক তকমান লিশিং ২,৪০০ ফংনবা অথোই অহেন তান্নগনি। গেমস অসি বিহারগী সহর ৬ তা পাঙথোক্কনি। অদুগা সাইক্লিং, সুত্তিং অমসুং এথলেতিক্সনা নিউ দেল্লিদা পাঙথোক্কনি।

**ঙাকশেলঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি-লৈবাক অসিগী ঙাকশেল মন্ত্রি অমা ওইনা আর্ম ফোর্সেসশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়বসি মহাক্কী দাইত্যনি অমদি ভারত্তা অরানবা মীৎয়েংনা য়েংলকপশিংগী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীগনি। নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা সংস্কৃতি জাগ্রন মহোদসবতা ব্রা ঙাংলদুনা রাজনাথনা হায়-লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিং অমসুং লানমীশিং ঙাকশেন্দুনা থম্বা হায়বসি ঙাকশেল মন্ত্রি অমা ওইনা মহাক্কী থৌদাংনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী মীয়ামা পাম্বা থবক খুদিংমক নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়-মালেমগী লৈবাকশিংনা ভারতপু চপ চানা খঙবগা লোয়ননা ভারতনা ঙাংলকপা ব্রাফমশিংদা মালেমগী লৈবাক কয়ানসু অয়াবা ফোঙদোরক্লি। মতম অমদা, ভারতগী ইকোনোমি অসি ১১ শুবা মফমদা লৈরম্বদগী হৌজিক ৫ শুবা মফমদা হাইগৎলক্লে। মসি ২০২৭ ফাওবদা অহুমশুবা মফমদা হাইগৎলক্লগনি হায়না মহাকা ফোঙদোকখি।

**স্পোর্ট(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ফকং সোসিএল য়ুথস ক্লবনা শিনবা অহানবা ফুটবোল টুরনামেন্টকী ফাইনেল মেটচ ঙরাং শান্নখিবদা মেমসনা এফ.সি মোরোক ইংখোলনা বুং এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেল লৌরে। থৌরম অদুদা খুরাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ এল.সুসিন্দ্রো শরুক য়াখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা-ঙসি এম.এল.এশিংনা গভর্ণমেন্ট শেমবগী পোরম য়াৎপা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দ পিপলস ক্রোনিকলদা-পাউনা বজারদা নুপা অমনা নুপী অমবু কাতিনা থিনখ্রে, চেন্নবা মীওই ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। এগ্রিকলচর অমদি ফামর্রসকী য়ুনিয়ন মিণিষ্টরনা ইন্দিয়ন

কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচর এন্দ রিসর্চকী হোর্তিকলচরগী মতাংদা মীফম পাঙথোকখিবগী পাউ অমসু পাউচে অসিদা ফোঙবা থেংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা-বি.জে.পিগী লুচিংবশিং কোক চুংশিন্নরি অনৌবা সি.এম হাপ্পল্লকুবা য়ারি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা-মীয়ামগী লৈঙাক লৈহন্নবা গভর্ণর উনদুনা তকশিনখিবা লৈরে হায়না মণিপুরগী স্পিকর সত্যাব্রত্তনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। নুপী অমা মঙকশমদা কাতিনা থিনলল্লে, চেন্নবা মীওই ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুকিশিংগী সেপরেসন ডে থৌরমদা গন সেলুট পীরুবশিংগী মথক্তা এফ.আই.আর পানখ্রে, খূৎলাহশিং রিকোভর তৌবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। কুকি দিমান্দবু দিমান্দলা, সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অমুক হায়, সেপরেসন ডে অমুক পালন তৌ, ঙাইহাক ঙাইহাক্কী অনিংবতা তৌরগা লৈরে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা-মে ৩ দা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমদা শরুক য়াবীখিবগীদমক কোকোমিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-'দ পিপল ফোর এনিমেলস(পি.এফ.এ)'না থৌবাল তুরেলদগী লৈঙোই কোৎপদা থিংখিবগী পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দ মোর্নিং বেলদা-মণিপুরগী স্পিকর থোকচোম সত্যাব্রত্তনা হপ্তা অসিগী মনুংদা অনৌবা সরকার অমা শেল্লবা য়ারি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা-নোর্থ ইষ্টকী বি.জে.পিগী ইনচার্জ সম্বিটপাত্রা লাকপগী অমদি মরামদা ক্লিনলিনেস ড্রাইভ চথ্খিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি তামেংলোংদা ফোঙবা গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**